# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, JANUARY 31, 2015 PAGE 7




ইন্দিয়াবু ক্রিকেট ৭তা মায়থিবা পীখিবা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী য়াম্না মরুওইবা রন ১২৫গী পার্টনর্শিপ শেন্নম্বা জেমস তেলার(ওই) অমসুং জোস পতলার

৬০ শুবা ষ্টেট ভেটরান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী টিম ইভেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোইশিং



## পেজ অমসুং হেঙ্গিস ফাইনেল চঙখ্রে, সানিয়া লৈহৌরে

**মেলবোর্ন, জনুৱারী ৩০ঃ**

ইন্দিয়াগী লেএন্দর পেজ অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্তিনা হেঙ্গিসনা মিক্স দবলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, সানিয়া মির্জা অমসুং মহাক্কী জুরা ব্রুনো সাউরেজ মায়থিহৌরে ।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেজ অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্তিনা হেঙ্গিসনা সেমি ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী সু ৱৈ সৈ অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাসপু ষ্ট্রেট সেটতা ৭–৫, ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি ।

মখোয় অনিনা ফাইনেলদা লম্বা থেংনগদৌরিবা জুরা অদু ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেজবু মায়থিবা পীরম্বা জেক রিপব্লিক্কী খৃষ্টিনা লাদেনোবিচ অমসুং কানাদাগী দেনিয়েল নেষ্টরনি ।



*মিক্স দবলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী পেজ (য়েৎ) অমসুং স্বিজরলেন্দগী হেঙ্গিস*

নেষ্টর অমসুং খৃষ্টিনানা সানিয়া অমসুং সাউরেজবু ৩–৬, ৬–২, ১০–৮ দা মায়থিবা পীরমখি ।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ঙসি ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সার্বিয়াগী নোবাক জোকোবিচনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা মমাংগী চেম্পিয়ন ৱারিঙ্কাবু সেট ৫ চংনা ৭–৬ (৭–১), ৩–৬, ৬–৪, ৪–৬, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা বৃটেনগী এন্দি মুরেগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বার্দিসপু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি । অহানবা সেট বার্দিসনা ৭–৬ (৮–৬) তা থোইখি অদুবু মুরেনা মখা তাবা সেট অদু ৬–০, ৬–৩, ৭–৫দা থোইদুনা ফাইনেলদা নোবাক জোকোবিচকা নোমাইজিং নুমিত্তা শান্নরগনি ।

## রিএল মাদ্রিদ ষ্টেদিয়ম অবু ধাবি বরনেবু হায়না খংনরগনি

**মাদ্রিদ, জনুৱারী ৩০ঃ**

মালেমগী ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা রিএল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী হোম গ্রাউন্দসু ওইরিবা সান্তিয়াগো বরনেবু হায়না খংনরিবা ষ্টেদিয়ম অসি অবু ধাবি বরনেবু হায়না খংনরগনি হায়না রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ফোংদোরক্লি।

স্পেনগী পাউ চে এ এসনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না রিএল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট ফ্লোরেন্টিনো পেরেজনা অবু ধাবিগা নৌনা স্পোন্সর্সিপ অমা ইন্টর্নেসনেল পেট্রোলিয়ম ইনভেসমেন্ট কম্পেনি (আই পি আই সি) গী খুথাংদা য়ান্নবা পুরকপদগী ষ্টেদিয়ম অসিগী অনৌবা মমিং থোনবদা য়াখিবনি ।

আই পি আই সি অসি রিএল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী থার্দ পার্টি ইনভেষ্টমেন কম্পেনি অমনি । পাউ অসিগী মতুং ইন্না অনৌবা মমিং অবু ধাবি বরনেবু অসি মমাংদা মফম অদুগী পোলিটিসিয়ন ওইরিবা লুসিয়া ফিগারনা ফোংদোকখিবদা ষ্টেদিয়ম অসিগী মমিং আই পি আই সি নত্রগা কেপসা হায়না থোন্বদসু অয়াবা পীখিবনি অদুবু অবু ধাবি বরনেবু ওইনা য়ান্নখি ।

অবু ধাবিনা রিএল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা ষ্টেদিয়ম অসি নৌনা শেমদোক্লবগীদমক য়ুরো মিল্লিয়ন ৫০০ চাদিং তৌগনি হায়রি । মসিগীদমক্তা সিজন অমদা অবু ধাবিনা রিএল মাদ্রিদতা য়ুরো মিল্লিয়ন ২০ পীরি ।



*রিএল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবগী হোম গ্রাউন্দ নৌনা অবু ধাবি বরনেবু হায়না খংনরবা ষ্টেদিয়ম*

## মৈতৈশিংগী মহৌশাদগী শাগোন্নরক্লবা মশান্নশিং

ডাঃ ৱাংখেময়ুম বুধ সিংহ

মরিশুবা তাঙ্কক

### 'শরিৎ শরাক' 'মুক্না লাকপী, 'থাঙ অমসুং তা'

ঙরাংগী মখা ...

তাইবঙ মপুনা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অহুমবু পুথোক্লবা মতুং লৈরোল, নুংলোন ১৪ মকপু শেম্নবা তাইবঙ থৱায় পানবা লাক্ষ ৯০ বু শেম্বা লোইরবা মতুংদা তাইবঙ মীনা খঙহৌনবা হায়দুনা লাই হাক্তক্কগী শীজিন্নরক্লবা থাঙ–তা, মুক্না, লাক্ল–ফানবা, শরৈ শরা হায়বনচিংবা মহৈ অসি লাইরোন ওইনা লাইরিক লাইশু কয়াদা ইদুনা থনম্মী, মসিগী মহৈনা মহৈশিং অসিগী মরমদা পুন্সিচুপ্পা পুক্নিং লুপ্লবা মীওইশিংনা মহৈশিং অসিবু মীচম অমনা পুথোকখিবা নত্তে লাইনা পুথোক্লম্বনী হায়না শমনা হায়রকপগী মরমনি ।

মৈদিংঙু ক্যাম্বা (১৪৬৭–১৫০৮)গী কবোগা লান শোক্লবদা লান ঙমগে হায়দুনা শুরুং অমদা লাই নিংখি। ইমা লৈমরেন থোক্লক্কুনা নিংথৌদা শা–লান্দা থেংনগদবা খুৎলোন খোঙফম ফিদুপ শাথুপ, মীৎয়েং নায়েং পুথোক্লম্লগা লৈমরেন শিদবী থুপখি । নিংথৌনা মচা মনাইগী খুদিংমক্তা লৈমরেন্না নিংথৌ মাঙদা উৎলম্বশিংদু তম্বীখি । মতম অদুদা মীহাৎ–মীকন মিংথোল থোনখি ।

মৈদিংঙু খাগেম্বা (১৫৯৭–১৬৫২) গী হাক্তক্তা অপোইমচা খোংনাংথাবা মাইচৌনা খাগেম্বা নিংথৌদা অমুক তম্বীখি । মতম অদুদদগী হৌনা মীহাৎ মীকন হায়বা মমিং অসি লৈরম্লবনি । মীহাৎ মীকন শরিৎ শরাক্কী মনুংচনবা মহৈনি । থাঙ–তাগী মহৈদসু চঙদবা য়াদে ।

শরিৎ–শরাক মহৈ অসিগা থাঙ–তাগা লৈনবা মরী অসি অখঙ অহৈ অমগী ৱাফমদা অসুম্না ফোংদোকই ঃ

The techniques that is, the movements and postured abopted in Thang and Ta are closely related with the techniques of Sharit Sharat and Mukna (The traditional forms of unarmed combat). That is why the teachers of Thang and Ta are usually are the masters of Sharit-Sharat, though their modes of combat and the field of specialisation differs.

মতম অমদি শরিৎ শরাক হৈনবা হোৎনবা হায়বসি তৌদবা য়াদবা মী অমগী তৌফম থোকপা মথৌনি । খাগেম্বা নিংথৌনা পানবা মতমদা মহৈ অসি য়াম্না চাউখৎলম্মী হায়বগী খুদম কয়া ফংই । মহাক্কী মতুংদা লাকপা নিংথৌশিংসু মহৈ অসিদা নত্তনা থাঙ–তা মুক্না কাঙজৈনচিংবা মহৈ কয়ামুকসু মপুঙ ফানা তম্নখি । থাঙ অমসুং তাগী মরম নৈনরকপদা নিংথৌসিগী মমিং মফম চাউনা কন্দুনা লৈ । হৌজিক্কী মতমদা লাইরিক লাইশু তম্বগুম শেল অমসুং মতম চঙনা মমাংঙৈদা শরিৎ শরাক থাঙ অমসুং তানচিংবা তমদুনা মশা ফনবা হোৎনরম্মী । শরিৎ শরাক হৈবা নিপা মঙা তরাগা পারবসু করিসু কিনরমদে ।

মহৈ অসি তম্বা অমসুং শীজিন্নবা থিংখিবসি থাঙ তানচিংবা খুৎলাই পায়দুনা শীজিন্নবা মহৈশিংবু থিংবগা লোয়নখি । মৈতৈশিংনা বৃটিশ সরকারগী মখা পোন্না লৈখিবগা লোয়ননা মহৈ অসিগী মরাইবক্তসু অফা–অপুন নংউ হায়বা তমথিরবা শিরুম–নারুম তৌবগী চৈফু অমা তমখি । বৃটিশ সরকারনা ১৮৯১ দগী হৌনা ১৯৩৪, চুড়াচান্দ মহারাজনা কেঃ সিঃ এসঃ আইঃ মিংথোল ফংবা মতম ফাওবা মহৈ অসি তম্বা অমসুং শীজিন্নবা থিংখি । মসিমক খুৎশু–খুৎলাই মতিক চানা পায়রবা বৃটিশ সরকারনা মহৈ অসিবু তাথীনা হঙ্গোইখিবা অমসুং কি তুক্কচবদগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই ।

মালেম পুম্বগী ওইবা লাঞ্জাও মতুংদগী হৌজিক্কী মতমগী লাইরিক তমফম শঙশিংদা মহৈ তম্বগী মওং অসি পায়খৎলকপগা লোয়ননা অমসুং নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা মহৈ অসিগী কান্নবা কয়ামুক লৈরম্বদু হন্থরকপগা লোয়ননা থাঙ–তানচিংবা মহৈশিং তম্নবা পাম্নরকখিদবা ইরোয় ইরোয়ননা শরিৎ শরাৎ থাঙ–তানচিংবসু তম্বা তোক্লরকখি । অদুমকপু ঙসিদি মনাৎপু নুংশিজবা থকশি খাসি ঙাকপা পাম্বা অমসুং মহৈ অসিগী মতিক মঙম খঙবা মৈতৈমচাশিংনা তম্ফম শঙলেন কয়া লিংখৎতুনা তম্নরক্লি ।

নোংমা–নোংমগী মীওইবনা চাউখৎলকপগা লোয়ননা অরেপ্পা লৈতনা চাউখৎলকপনা মহৈসিগী তোঙান–তোঙানবা কয়াৎ কয়া থোক্লা খায়দোরকই, শক্তম কয়ানা মশান্নসিগী মশক–মওং চাউখৎহল্লকই । ... মথং হয়েং

## য়ু এ ইনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

**নিউকষ্টল, জনুৱারী ৩০ঃ**

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা এ এফ সি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা য়ু এ ইনা ইরাকপু পাঞ্জল ৩–২দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন য়ু এ ইনা ফংখ্রে ।

ঙসিগী মেটচ অদু টিম অনিমক্কী মাইকৈদগী য়াম্না মান্ননা লম্বা থেংনরকপদা য়ু এ ইগী খালিলনা শান্নবগী ১৬ শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি । মিনিট ১২ লৈরগা ইরাক্কী সালেমনা ইক্যুলাইজর অদু চনখি । হাফ য়ৌগদবা মিনিট ৩দা ঙাইরবা মতমদা ইরাক্কী কালপনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা য়ু এ ই বু মখোয়না মাংজিল থাখি । হাফ লোইরবা মতুংদা য়ু এ ইগী মাইকৈদগী শোখরম্বা অহানবা পাঞ্জল চন্বা ঙমখিবা খালিলনা ৫১ শুবা মিনিটতা হন্দোকখিবগা লোয়ননা ৫৭ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী মবখোদনা পেনালটি অমগী মতেংনা চনখিবা পাঞ্জলনা মায়পাকহনখি ।

## ইংলেন্দনা ইন্দিয়া মায়থিবা পীখ্রে

**পার্থ, জনুৱারী ৩০ঃ**

সহর অসিদা ঙসি শান্নখিবা লৈবাক অহুমগী ক্রিকেট সেরিজগী মেটচ অমদা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৩দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগা ইংলেন্দগা থেংনরগনি ।

তোস ঙমদুনা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু হান্না বেট্টিং তৌহনখি । মদুদা ইন্দিয়াগী রন ২০০ খক লৌরগা বেটসমেন ১০ মক আউত ওইখি । ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী ওপন্নর রহানেনা রন ৭৩ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি ।

মায়পাক্লনবা রন ২০১ লৌননবা হোৎনরকপদা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৭ আউত ওইরগা ওভর ৪৭কী ৫শুবা বোলদা ইংলেন্দনা মায়পাকপগী রন অদু লৌদুনা ইন্দিয়াবু থোইখি ।

ইংলেন্দগী মাইকৈদগী জেমস তেলার অমসুং জোস পত্তলরনা মথংশিংনা রন ৮২ অমসুং ৬৭ লৌদুনা মেটচ অদু মায়পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি ।

## বোক্সিং ইন্দিয়ানা অনৌবা রেঙ্কিং সিষ্টেম অমদি ইন্দিয়ান সেরিজ ওফ বোক্সিংগী শেম শাখ্রে

**নিউ দিল্লি, জনুৱারী ৩০ঃ**

বোক্সিং মশান্নবু অনৌবা মাইওন অমা লৈবাক অসিদা পুরক্লবগী পান্দমদা প্রোফেসিনেল বোক্সিংগী মওংগা মান্নবা ইন্দিয়া সেরিজ ওফ বোক্সিং হৌদোক্লবা শেম শাবা লোইরে মসিনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ৱার্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিং ক্বালিফাইং ইভেন্ট অমসু ওইবা য়াগদৌরি লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা বোক্সরশিংগী অনৌবা নেসনেল রেঙ্কিং সিষ্টেম অমসু হৌদোক্লগনি হায়না বোক্সিং ইন্দিয়ানা ফোংদোকখি ।



হোংদোক্কদৌরিবা খোঙথাংশিং অসি বোক্সিং ইন্দিয়াগী অনিরকশুবা এগজেক্যুটিব কম্মিটিগী মীফমনা য়েৎনবা লৈতনা য়ান্নখি । তৌবতবু হায়রিবা ইভেন্টশিং অসি পাংথোক্লনবা মতম লেপ্পদি লৈত্রি ।

অনৌবা ইন্দিয়ান সেরিজ ওফ বোক্সিং অসিদা ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (এ আই বি এ) না এপ্রুপ তৌরবা তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটগোরিদা লৈরিবা নুপা বোক্সরশিংনা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবনি।

বোক্সরশিং অসিনা মখোয়গী হৌজিক হৌজিক লৈরিবা চাং নাইবা তলবকী মথক্তা মায়পাকপগী শেলগী মনাসু ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি । ইন্দিয়ান সেরিজ ওফ বোক্সিং (আই এস বি) না ৱার্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংগী ক্বালিফাইং ইভেন্ট ওইগদৌরি লোয়ননা মসিনা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ওলেম্পিক্কীদমক্তা থুনা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা বোক্সরশিংদা পীগদৌরি ।

রেঙ্কিং সিষ্টেমগী ওইনা বোক্সিং ইন্দিয়ানা কোর কম্মিটি অমা শেমদুনা অনৌবা সিষ্টেম অমা পুথোক্কদৌরি । সিষ্টেম অসিনা বোক্সিং মশান্নদা লৈরিবা শান্নরোই খুদিংমক মখোয় মখোয়না শরুক য়াখিবা ষ্টেট, জোনেল, নেসনেল অমসুং ইন্টর্নেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা পোইন্ট পীগদৌরি । মদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা ৱেট কেটগোরি অমদা মকোক মথং কনা লৈবগে হায়বদু খংবা ঙম্লগনি ।

পোইন্টতা য়ুম্ফম ওইরগা শেমগদৌরিবা রেঙ্কিং সিষ্টেম অসি ষ্টেট লেভেল টুর্নামেন্টশিংদা হান্না হৌরগা ইন্টর্নেসনেল টুর্নামেন্টকীসু য়েংগদৌরি ।

রেঙ্কিং সিষ্টেম অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা বোক্সিং মশান্নগী ওইবা য়াম্না মনুং মপান ফাওনা অরোৎপা লৈতবা অমদি অফবা বোক্সরশিং নমথবা ঙমদনবগী খুদোংচাবা অমা পীগদৌরি । লোয়ননা মকোক থোংবা বোক্সরশিং অদুনা লৈবাক অসিগী মহুৎশিল্লগা ইন্টর্নেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙম্বগী তাঞ্জাসু লাক্লগনি ।

অনৌবা রেঙ্কিং সিষ্টেম অসিনা লৈবাক অসিদা অনৌবা অফবা বোক্সর মশক খংদোক্লবগীসু খুদোংচাবা অমা পীগদৌরি । লোয়ননা মকোক থোংদুনা লৈরিবা বোক্সরশিংনা নেসনেল লেভেলগী টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াদনা লৈরম্বা চৎনবী অদু হোংদোক্কদৌরি ।

মসিদসু নত্তনা অফবা বোক্সরশিংগী রেঙ্কিংশিং অদুনা মখোয়বু পর্মানেন্ট কন্ত্রেক ফংবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা পীরগনি ।

হোংদোক্কদৌরিবশিং অসিগী মরমদা ফোংদোক্লদুনা বোক্সিং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট সন্দিপ জজোধিয়ানা মখা তাখিবদা মশান্না অসিগী য়াইফনবা লোয়ননা বোক্সরশিং অমদি লৈবাক অসিগী অফবা ওইননবা অনৌবা সিষ্টেম অসি তঙাই ফাদনা থম্লবা হোৎনরকপনি হায়খি ।

আই এস বি হৌদোকপনা বোক্সিং মশান্নদা তোঙানবা ইকনোমি অমা লাক্লগনি । অহোংবা থমগদৌরিবশিং অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা বোক্সরশিংদা খুদোংচাবা নিংথিনা পীদুনা ইন্টর্নেসনেল ইভেন্টশিংদা মায়পাক্লা মকোক থোংবা ঙম্লনবগী মতিক চাবা য়ুম্ফম অমা পীগদৌরি ।

## ইন্দিয়ানা আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ ২০১৬কী য়ুম্বু ওইরগনি

**নিউ দিল্লি, জনুৱারী ৩০ঃ**

২০১৬কী মার্চ ১১ দগী অপ্রিল ৩ ফাওবা ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) বোর্দনা অয়াবা পীখিবদগী ইন্দিয়ানা টি–২০ ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইরগনি ।

ৱাফম অসি ডুবাইদা লৈবা আই সি সিগী হেদক্কার্টরদা আই সি সিগী ২০১৫গী অহানবা মীফমদা লেপ্পখিবনি । বোর্দ অসিনা মরুওইবা ৱারেপ লৌখিবশিংগী মনুংদা চহি অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ২০১৫দা করিগুম্বা ফাইনেল মেটচ তাই লাকপা তারবদি সুপর ওভর শীজিন্নবগী তঙাইফদবা খন্নখি ।

আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ২০১১ গী ফাইনেল অমসুং অতোপ্পা আই সি সিগী ইভেন্টশিংদা থোকখিবা ফাইনেলগী তাই ওইবা মেটচশিং সুপর ওভরনা মায়পাকপা টাইতল লৌগদবা টিম অদু খন্বদা খ্বাইদগী অফবা খুৎলাই ওইরগনি ।

বোর্দ অসিনা অতোপ্পা ৱারেপ অমদা আই সি সি গী ইভেন্টতা ওভর মতম শাংনা লৌবগী অশোইবশিং অদু কেপ্টেনশিংদা সস্পেন্সন নত্রগা ফাইন তৌবগী মতাং অদু হোংদোক হোংজিন তৌবদসু য়ান্নখি । মসিনা মরম ওইরগা চহি অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱার্ল্ড কপ ২০১৫দা টিম অমনা ওভর শীজিন্নবদা মতম হেন্না লৌবগী সস্পেন্সনগী মতাংদা কেপ্টেনশিংগী মমিং পল্লোইদৌরি ।

মখোয়গী মমিং পন্দ্রবসু করিগুম্বা ইভেন্ট অদুগী মনুংদা ওভর শীজিন্নবদা মতম হেন্না লৌরবদি মখোয় মেটচ অমা সস্পেন তৌবগী নিয়মসু লৈরি । করিগুম্বা ৱার্ল্ড কপ ২০১৫গী মমাংদা ওভর শীজিন্নবদা মতম হেন্বগী মেটচ লৈরবদি ৱার্ল্ড কপ লোইরবা মতুং লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্নবা মেটচ অমদা কেপ্টেন অদু শরুক য়াবা য়ারোইদৌরিবনি ।

বোর্দকী মীফম অদুদা শান্নরোইশিংগী লমচৎ ব্যভার অমসুং শোক পন্দনবগী মতাংদা খন্নখিবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ফিলিপ হিয়ুস বোলনা পান্দুনা লৈখিদবা অদুগী থৌদোক নিংশিংদুনা হেলমেটশিংদা অনৌবা মোদেলশিং শীজিন্ননবা অয়াবা পীরি ।

হন্দক্তা বৃটিশ সেপ্টি ষ্টেন্দর্দ অমা হৌদোকখিবদগী হেলমেট পুথোকপা কম্পেনিশিংনা অনৌবা কোক শোকপদগী হেন্না ঙাকথোক্লনবা মওংদা শেম্লক্লবা হেলমেটশিং শান্নরোইশিংনা উপ্পরক্লি ।

## কশ্যাপ ৱার্ল্ড নম্বর ১২দা হাইগৎখ্রে

**নিউ দিল্লি, জনুৱারী ৩০ঃ**

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা সাহিদ মোদি ইন্টর্নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী টাইতল লৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী শান্নরোই পারুপালি কশ্যাপ হান্না ১৫ শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী ১২ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎখ্রে ।

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন ফেন্দরেসন্না ঙরাং নৌনা থোকখিবা শান্নরোইশিংগী রেঙ্কিং লিষ্টতা কশ্যাপ হাইগৎলকপগী লিষ্ট অদু য়াওখিবনি ।

নুপাগী মালেমগী মকোক থোংবা ২৫গী মনুংদা কশ্যাপ থারগা ইন্দিয়াগী ২ য়াওরি । মখোয়শিং অদুদি ৱার্ল্ড নম্বর ৫দা কিদম্বী শ্রীকান্ত লৈরি অদুগা নম্বর ১৮দা ঐচ এস প্রনোয় মখোয় মখোয়না হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদুদা অদুমক লৈরি । নুপীগীদা সাইনা অহুমশুবা অদুগা শিন্ধু ৯দগী ১০দা হন্থদুনা লৈরি ।

## চহি ১৯ মখাগী ক্রিকেট শান্নরোইশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, জনুৱারী ৩০ঃ**

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চহি ১৯ মখাগী ক্রিকেট শান্নরোই ২১গী মমিং লাওথোকখ্রে লোয়ননা শান্নরোইশিং অসিনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ফেব্রুৱারী ১গী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা ওফিসিয়েলশিংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি ।

খনগৎলবা শান্নরোই ১৯ অদুদি ঃ কে প্রিয়োজিৎ সিংহ, ৱাই কর্নজিৎ সিংহ, এম সুধির সিংহ, এম দি নজির, এ গুনিরাম, পি তোনিয়েল, এল রোনেল, এম প্রেমচান্দ, এল বিশ্বরজিৎ, এম থোমাস, এম দি ফজারুদিন, এস সুনিল, জি মঙ্গি শর্ম্মা, এন সুরজ, এম লাংলোনয়াম্বা, এস সঙ্কর, এম দি অব্দুলা, এম সনাতোম্বী সিংহ, সি ঐচ তাইসন, এন ৱিলসন অমদি এম দি অল বসিতনি ।

## অৱাবা ফোংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জনুৱারী ৩০ঃ**

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না মণিপুরগী মমাংদা অফবা ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইরম্বা শ্রীগোলমৈ অবুইনানা মহাক্কী পাউনা বজারদা লৈবা কাখুলোংগী ময়ুমদা থা অসিগী ২৮দা খংহৌদনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোংদোকখ্রে হায়না এসোসিয়েন অসিগী মাইকৈদগী প্রেস্তা থোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি ।এসোসিয়েন্না অসিনা মখা তারদুনা লৈখিদ্রবগী অত্থা শক্তিগীদমকসু খুরুমখি লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোংদোরক্লি ।

## কেনেদি খল্লক্লে

**ইম্ফাল, জনুৱারী ৩০ঃ**

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেন্দরেসন (এ আই এফ এফ) না মণিপুরগী কেটগোরি ৱান রেফরি ওইরিবা শ্রীসাপম কেনেদি মনা লৌননবা খল্লক্লে হায়না অম্ফাগী মাইকৈদগী প্রেস্তা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নিউ দিল্লিদা মথং থাগী ১৩দা পাংথোক্কদৌরিবা এ আই এফ এফকী চহিগী ওইবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরমগা মরি লৈননা কেনেদিবু এসিষ্টেন রেফরি এৱার্ড লৌননবা বার্ত্তন তৌরকপনি হায়না সেক্রেটৈরিগী চেরোল অসিনা মখা তারি ।

## রোনিকা মেমোরিএল

**ইম্ফাল, জনুৱারী ৩০ঃ**

ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মিৎয়েং মখাদা চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২০দগী পাংথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ১০শুবা সোইরাইসম রোনিকা মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়ার গালর্স ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ক্লাস টেন পরিক্ষা লৈবা মরমনা য়ৈথোক্লে হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোতিরমোই রোয়না প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি । শান্নরোই অদু ক্লাস তেনগী মহৈরোয়শিংনা নম্বা মরম্না য়ৈথোকপনি হায়না মখা তারি ।


### দরখাষ্ট কৌজরি/ꯗꯔꯈꯥꯁ꯭ꯠ ꯀꯧꯖꯔꯤ

Regd. No. KPL/232/Com. Estd. of 2013

Government of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Direct Join, Semi-Govt./NGO Job (100% Sucess) | | | |
| a. | Security/Gunman, Peon, Driver | 22 | VIII - X | 4,500 - 8,000/- |
| b. | Grass Cutter/Cook, Chowkidar | 15 | VIII - X | 5,000 - 15,000/- |
| c. | Reception, L.D.C. Attandent | 17 | X - XII | 5,000 - 17,000/- |
| 2. | Direct Wise Vacancy of Banking Staff-in Manipur (6 month training with stipend) | | | |
| a. | Account Opening Staff, Loan Recovery | 10 | X - XII | 12,000 - 25,000/- |
| b. | Sitting Staff, Mobile Banking | 10 | XII - Graduate | 16,000 - 28,000/- |
| 3. | Office Staff, Hospital in Imphal | | | |
| a. | Computer Operator, Data Entry | 20 | X - XII | 7,000 - 12,000/- |
| b. | Accoutant Assistant Manager | 7 | X - Graduate | 8,500 - 15,000/- |
| c. | Staff Nurse (GNM/ANM), X-ray | 5 | X - XII | 4,500 - 8,500/- |
| 4. | Air Ticketing Staff in Imphal | | X - XII | 12,000 - 18,000/- |
| 5. | Airport Post Vacancy | | | |
| a. | Ground staff, B.M.I. Weight Ticketing | 12 | X - XII | 15,000 - 22,000/- |
| b. | Loader, Cargo Driver | 25 | VIII - X | 15,000 - 30,000/- |
| c. | Airport Electrician | 6 | X - XII | 17,000 - 30,000/- |
| 6. | ইশাগী অহাংবা মতমদা Extra-income তান্নীংবা, Student, Housewife, unemployed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি । Qualification : VIII - above, Income : 10,000 - 25,000/- per month | | | |

*Interview : 16/02/2015*

*Last Date : 14/02/2015*

*# 8131885255/8014762842*

Sd/-
Bright Community Centre
Wahengbam Leikai, Near Bheigo Hotel



### I.P.S. CANCHIPUR

(Govt. Recognised and Affiliated to BOSEM & COHSEM)

ADMISSION OPENS FOR 2015
FROM PRE - NURSERY TO IX
(BOTH SCHOOL AND BOARDING)
AWARDED FOR BEST SCHOOL & BEST PRINCIPAL

- অদোম নহাক্কী অঙাংবু চেকশিন্না মহৈ তমহন্নিংব্রা ?
- অদোম নহাক্কী অঙাংবু থকশি-খাশি খংনা মহৈ তম্বা পাম্লা ?
- অদোম অঙাংবু অফবা ছাত্র ওইহনবা পাম্লা ?
- অদোম নহাক্কী অঙাংবু পারসোনেলিটি লৈহনবা পাম্লা ?
- অদোম নহাক্কী অঙাংবু চেকশিন্না য়েংশিনবা পাম্লা ?
- অদোম নহাক্কী অঙাংগী লাইরিক ফবগী রিৱার্ডপাম্বীব্রা ?
- অদোম নহাক্কী অঙাংগী কো-কুরিকুলর এক্টিবিতিসদা মাংজিন থাবা পাম্বীব্রা ?

অদোম পুম্নমক অসিবু পাম্বিরবদি ঙসিমক অদোমগী অঙাংবু IPS, Canchipur দা মিং চনবিয়ু লোয়ননা অকুপ্পা মরোল খংবীয়ু ।